# অদুঙৈগী নিংতম্বাদু

সনাতন হামোম



# অদুঙৈগী নিংতম্বাদু

## লৈবাকনিংবগী শৈরেং

সনাতন হামোম

**চাউবা মেমোরিয়াল মনিপুরি ইন্টেলেকচুয়াল প্রোপাটি মিউজিয়াম**
ছনগাঁও, কমলগঞ্জ, মৌলভীবাজার, বাংলাদেশ।

অদুঙৈগী নিংতম্বাদু ॥ সনাতন হামোম

০৩ মে- ০৩ অক্টোবর-২০২৩ মনুংদা ইখিবা

অহানবা ফোংবা
২৭ নভেম্বর ২০২৩
মনিপুরি মহারাস উৎসব-২৩

©
উষা হামোম

অফোংবা
হামোম তনুবাবু, পরিচালক
চাউবা মেমোরিয়াল মনিপুরি ইন্টেলেকচুয়াল প্রোপাটি মিউজিয়াম
ছনগাঁও, কমলগঞ্জ, মৌলভীবাজার, বাংলাদেশ।
মোবাইল: +৮৮-০১৭১২-১৫১০৯৭

নম্ফম
ছাপাকানন, সিলেট
দূরভাষ +৮৮০১৯৭১৩৩৬৪০৭

লাইরিক ফংফম
চাউবা মেমোরিয়াল মনিপুরি ইন্টেলেকচুয়াল প্রোপাটি মিউজিয়াম,
বাংলাদেশ;
রাজেস বুক স্টোর, গভর্নর রোড, পাওনাবাজার, মনিপুর, ইন্ডিয়া।

মখুম
হামোম প্রমোদ

মমল
২০০/-

Adungeigi Ningtambadu by Sonaton Hamom
Published by Chaoba Memorial Manipuri Intellectual
Property Museum, Bangladesh. Price 200.00
First Edition 27 November 2023

কচ্চবা

মৈরা লাম্মী ইমাইবেল
খুলঙাকপা
লোয়ননা অদুঙৈগী নিংতম্বাদু
পুরক্লবগীদমক
মাংথারদুনা মায়োক্লখিবা, মায়োক্লরিবা
লাঞ্জেন্নবদা অওয়া-অনা নঙখিবা
অমসুং
ইমালম মনিপুরবু ঙাক-কনবদা
থওয়ায় কৎথোকপিখিবা
মীওইশিংগী মফমদা-

CS CamScanner

# য়াওরিবা শৈরেং


জোংনা লৌবু তান্বা ০৯
অদুঙৈগী নিংতম্বাদু ০১ ১১
অদুঙৈগী নিংতম্বাদু ০২ ১২
অদুঙৈগী নিংতম্বাদু ০৩ ১৪
অদুঙৈগী নিংতম্বাদু ০৪ ১৫
অদুঙৈগী নিংতম্বাদু ০৫ ১৬
অদুঙৈগী নিংতম্বাদু ০৬ ১৭
অদুঙৈগী নিংতম্বাদু ০৭ ১৮
অদুঙৈগী নিংতম্বাদু ০৮ ১৯
অদুঙৈগী নিংতম্বাদু ০৯ ২০
হিংনা হিংনা শিররোয়শি ২১
অদুঙৈগী নিংতম্বাদু ১০ ২২
অদুঙৈগী নিংতম্বাদু ১১ ২৩
অদুঙৈগী নিংতম্বাদু ১২ ২৫
অদুঙৈগী নিংতম্বাদু ১৩ ২৬
ঐগী মঙ ২৭
নোংমা ঐনা মীহাৎপা ওইরকপদা ২৮
ঐদি হল্লোয় ২৯
ইমালম মনিপুরদা ৩০
ইমালম মনিপুরদা ২ ৩১
অথৌবাশিংগী থওয়ায় মীরেল উরুবদা ৩২
হন্দক্কী অতিয়াদা ৩৩
ইহৌদবা শৈরেংদু ৩৪
পোকখায়রক্কদৌরিব্রা? ৩৫
মীচং নাইখ্রে ৩৬
৩৭ য়েংনা লৈখিগদ্রা
৩৮ হে তাইবং মপু
৩৯ হাৎপগী লীলা
৪০ শামুলমসানা কন্ন তান্নরি
৪১ মায় পাক্লোয়দবা লৈতে
৪২ শারমচৎ চৎপা
৪৩ হায়বিয়্যু
৪৪ খঙনা খঙনা খঙনদ্রি
৪৫ মৈরা নোংশা নোয়বু কায়দনোনে?
৪৭ করৌঙানবা
৪৯ পন্থুংফমদি অমত্তনি
৫০ মীতৈ লান্মীশিংনা ওয়ারৌনরক্লে
৫১ ঐগিরা নঙগিরা
৫২ চিন্থিবা
৫৩ ফজদ্রিবদি নরমচৎদুতনি
৫৪ ইমা লৈবাক
৫৫ ঙানথোরক্লগনি সোয়দনা
৫৬ ঐগী ওয়াখল
৫৭ চেকশিল্লু
৫৮ চেং লৈতবগী অওয়াবা
৫৯ নোয় খংজৌ
৬০ অদুঙৈগী মীতৈ মতমদো
৬১ ইমাগী খোম্লাং লমন শিংলশি
৬২ লম্বি
৬৩ নোরোক্তনি নোরোক্তা


CamScanner

## জোংনা লৌবু তান্বা

কদায়দনো সোয়নরমগনি, সোয়নখ্রে অশাওবা পুন্নামক্ল
অসোয়বা অশাওবা কয়াদগী কায়থখ্রে মীওইবগী মঙ
লৈফম চাফম নুংশিজখ্রবা পোৎথাফম য়ুম অদুসু
মৈ থাদোকপিখ্রে,
অশাওবগী মৈশানা চাকথেকখ্রে
চাকথেকখ্রে থম্মোয় কয়া মসিং লৈতনা
অওয়াবা নুঙাইতবা পেন্দবা কয়ানা শিন্থরক্লিবা
মীৎকি পিরাংদি ঈ ওইনা চেন্থাখ্রে ইম্ফাল তুরেলদা।

অন্থোক্লা থম্মোয়শোক্লা গতি লৈতনা লাঞ্জেন্নবাদসু
অরোয়বা আশা অদু লাম্বা ফংদ্রিঙৈ
হিংনানবগী নুংশাস্বর মরক্তা
তমথিরবা নোংমৈদুনা কাপথাবিরম্লে
অশিবা হকচাং অদু তাওথাখ্রে
অসোয়বা-সাওনাবগী তুরেল ঈচেলদা।

মমামক্কী মমাংদমক মচা নুপা অদু
ফুদৎপিদুনা চীঙমী- জোংশিংনা সিংননা হাৎতোকপিখ্রে
ইমুংদগী চিংথোক্লুনা
য়ুমদুগী শেন্দানবা অমতং লৈজবা মপাবুংদুসু হাৎতোকপিখ্রে
হাৎপগী লীলা অঙকপনি নঙগী হিংসা অদু।

চাওখৎলে হায়নারম্বা সনালৈবাক মনিপুরদি
কিন্থনা তাওথখ্রে
লাও-খোংনা কপ্লবগী পিরাংগী ঈচেল তুরেলদা,
মপোক কয়াদা শেম শাখিবা নিংথিজরবা ইমা লমদম
নঙদি অমুক শোৎথারেদো মপোক কয়া।

জোংনা লৌবু তানবাগুম
তানথোকপিরক্লে ঐখোয়গী ঈরৈচাশিংবু
ফম্বম ফংলদি তুম্ফমসু ফংঙি খংদুনা
খজিক খজিক কোনসিনখিবা ঈপা-ঈপুগী লম
জোং ময়াম্না য়ুম্বুনি হায়বাগুম
চীঙদগী তম তম্পাকতগী চীঙ কোয়থুং থুংখ্রে,



CamScanner

মা-মাগি হিংনানবগী লান্দ
মীওইবদি হৌজিক লানগী নোংমৈনা হাৎতোকপিখ্রে,
মীহাৎপগী লীলা মরক্তা
জোংনা মহৌশাগুম খুবাক খুরি উথক্তা।

০৬ মে ২০২৩

## অদুঙৈগী নিংতম্বাদু ০১

পাবুংনা লৈরিঙৈদা মহাক্কী ময়ুমদা
ইমাগী চাখুমদা
চানিংবা পুন্নামক ইবুক থন্না চারম্মী,
পাবুংগী য়ুমদদি চাবগী শেল চংদবনিনা
নিঙায় তৌর-তৌরদুনা
অহাও-অথুম কয়া চাহৌননবগী
নিঙায় কয়ারক তৌখি,মশিং লৈতনা।

করম্না শেল তাল্লগা পিজখিবনো
হৌজিক্তি খংলক্লে অদুঙৈগী নিংতম্বাদু
পাবুংনা লৈরিঙৈদা মহাক্কী ফৌ কোত অদু
ঐখোয় ইচিন্নাওশিংগী
অথোয়-অহেন নিংবা থুংনবগী শেন্দানফম ওইরম্মী,
মহাক্কী সিন্ধুক মনুংদা লোৎনা থমখিবা
লুপা- পৈশাগী কোরফু অদুসু
ঐখোয়গী শেন্দানফম ওইরম্মী,
বিবেক য়াওনখিদবা নত্তে
হয়েংমুকসু লৌথোকপা য়ানবগী
মথৌ তাবদুতনি নিংতম্না লৌথোক্লখিবাদুসু।

হৌজিক্তি পাবুংনা লৈখিদবদা
ইচিন্নাও খৎনা-চৈনবতা নত্তনা
থাং পায়নরে
য়ুম মৈ থানরে
মীচং নায়নরে।
লানগী লানঙক্তনি,হিংসাগী হিংসাঙক্তনি
মশা-মশাগী হিংননবগী লানফমদগী
লাঞ্জেন্নবা মতুংদা অদুঙৈগী নিংতম্বাদু
নিংশিংনরে অমুক অদুবু
নিংতম্বাদুদি ইপাবুংগা লোয়ননা পায়খিরম্লে।

১৫ মে ২০২৩



CamScanner

## অদুঙৈগী নিংতম্বাদু ০২

অদুঙৈগী নিংতম্বা লৈজদ্রবা
হে ইমা মনিপুর নঙদি -
অওয়াবা পোৎলুম হোনবদা
ওয়ারম্লগনিদো!
মীয়াম্ন নঙগী খনবদা তুজুংনরেদো,
নঙগী নচাশিংনা খৎন-চৈনবদগী হেন্ন
য়ুম মৈ থানরিবাদু
অমানা অমাবু হাৎনরিবাদু
মীয়াম্ন নঙগীদমক্তা তুম্বা-চাবা ঙম্নরকত্রে
মিপাইরকপদগী মীহুন পায়নরক্লে।

নচা নুপাদুনা অওয়াবা খাংবা ঙমলক্তনা
লাওখোংনা হায়রক্লে ঐসু মীহাৎপা ওইজারগে
চান-থক্লবগী মহুৎতা
নোংমৈ ওইনা পিবিরো হায়রক্লে
ইমা নঙদি তারসু তাদনা লৈবিরবোয়রে
কয়ানি মীহাৎপগী কুম্মৈ য়েংখিগনি
তাকপিয়ুনে ইমা নুংশিবী,হে ইমা নাপংবী।

ইমালম মনিপুরদি লাইগী লাইঙক্তনি
লাইঙক্তগী লৈফম লাইফমনি হায়নরিবনি
অদুবু
নঙগী শ্রীগোবিন্দজী বিজয় গোবিন্দজী
নঙগী নপাবুং লাইনিংথৌ সনামহী
নঙগী নপুধৌ পাখংবা
নঙগী নপুধৌ মারজিং
মীতৈ ঐখোয়গী ইমা লৈমরেল শিদবী
লোয়না হেক শিখিবাগুম তুম্না লৈখ্রবোয়রে!

নঙগী লাই ময়ামদুগা
ইকোক নোঞ্জদুনা হায়জনিংঙি-
কুম্মৈ য়েংবিরনু অতৈ
কুম্মৈ য়েংবিরনু অতৈ
কনবিয়ুনে নঙগী কংলৈচা মীতৈ,



CamScanner

পিনবিয়ুনে শান্তি
পিনবিয়ুনে অদুঙৈগী নিংতম্বাদু।

নচাশিংনা কয়ানি তেংথারগা
নচাশিংনা কয়ানি থম্মোয়শোক্ক কপ্পগা
মীৎকি পিরাং কয়ারক শিন্থরগা
নঙগী মীৎকপ থোক্কাদবনো
তাকপিয়ুনে ইমা নুংশিবী হে ইমা নাপংবী।

মীশিং কয়া হাৎনবা লোয়রগা
মীওই কয়াগী য়ুম-কৈ থাদোক্লবা লোয়রগা
মমা- মচা কয়া কায়নহল্লগা
মচিল- মনাও কয়া কায়নহল্লগা
নঙগী মীৎকপ থোক্কাদবনো
তাকপিয়ুনে ইমা নুংশিবী হে ইমা নাপংবী।

১৬ মে ২০২৩



CamScanner

## অদুঙৈগী নিংতম্বাদু ০৩

ঈ কয়ারক হৈদোক্লগা
পিরাং মচুম কয়ারক শিন্থরগা
নঙগী নথিবুক ইরেল
ইম্ফাল তুরেল মবুক থনগাদবনো,
অদুঙৈগী নিংতম্বাদু লাক্কদবনো?

য়ুম কয়ারক মৈ থাদোকপিরম্লগা
গাড়ি লরি লোয়শঙ লাইশং মৈ থাদোকপিরম্লগা
মৈরী মৈশা কয়ানা
নঙগী অতিয়া নবুক থনগাদবনো?

মীনুংশি কয়ারক কাওনরগা
থম্মোয় কয়ারক চাকথেহল্লগা
নঙগী নিংবা থুংগাদবনো,
করম্বা মীনুংশি উৎলগা
ইংনা-চিক্লা লৈরম্বা অদুঙৈগী নিংতম্বা লাক্কদবনো?

১৬ মে ২০২৩

## অদুঙৈগী নিংতম্বাদু ০৪

অদুঙৈগী " সিবু থোয়না হরাওবা লৈবরা---
লৈবনিদা ---"
হৌজিক্কীদি " সিবু থোয়না অওয়াবা লৈবরা --
লৈতবনিদা ---"

সিনি তাইবংসে,সিনি মীওইবসে
মমা-মপানা মচাশিং মতমচানা ওয়ারকপা ঙমহৌদবনা
মশুশিং ওয়ারকপা ঙমহৌদবনা
মা-মাগি মতু -মওয়া ওয়ারকপা ঙমহৌদবনা
মমা-মপা খৎনরে
মচিল-মনাও খৎনরে
থাং-নোংমৈ পায়নরে
লেপ্তনা হাৎনরে
লৈকায় খুঞ্জা মীচং চংনরে।

মশা মশাগী অসোয় - অরান থিজন্নদ্রে
অসাওবা হিংসানা মাং থাংনরে
খৎন লাওনরে
অঙম অঙম্বা তৌনরে
মীওইবা মীনুংশি লৈনদ্রে,
সিদগী হেন্না অওয়াবা
সিদগী হেন্না থম্মোয়শোক্ক নুঙাইতবা লৈনদ্রে।

মমাদুনা মচাগীদমক
মচলদুনা মবুংগীদমক
মবুংদুনা মচলগীদমক
থম্মোয় চাকমান্দুনা মথাবাক ফুরাদুনা
লাওখোংনা কপ্লিবাদু
ইমা লমদম শিনথুংখ্রে,অতিয়া পোকখায়খ্রে
অদুবু হৌজিকসু
অদুঙৈগী নিংতম্বাদু হজ্জিলকত্রি,
সিবু হেন্না নুঙাইতবা লৈবরা-- লৈতবনিদা--।

১৬ মে ২০২৩



CamScanner

## অদুঙৈগী নিংতম্বাদু ০৫

অদুঙৈদনা নোঙ্গুবনি শৈরেং শৈথাদুনা
"হাৎপগী পাও ইররোয় অতৈ"
"অশিবগী লাইশোল শক্করোয় অতৈ
মোংফম মশিং কনানা থিবিগনি
অঙৌবা ফিরাল য়ুংখৎলরোয় অতৈ
শহীদশিংগী ঈ গী মমল কনানা পিবিগনি?"

"মিছিলদা ডেউটি মশিং থিররোয় অতৈ
মীয়ামগী খোল্লাও কনানা থিংবিগনি
হাৎপগী পাও ইররোয় অতৈ
অচুম্বগী ডেউটি কনানা চুখৎপিগনি?"
"লৈ কৎলুরা থাং কৎলুরা"- সনাতন হামোম পৃঃ ৭৩/২০১২ খৃঃ

অমনা অমাবু য়েংথিনবা তৌনগুমসি অতৈ
ইমা মনিপুরগী মচাঙক্তনি
ঐখোয় ময়াম ইচিনাওঙক্তনি
অদুঙৈগী নিংতম্বাদুগীদমক
নুংশি চান্নরম্বাদু কাওনররোয়শি অতৈ।

১৭ মে ২০২৩

## অদুঙৈগী নিংতম্বাদু ০৬

খংঙি, জগতসিদি খ্বায়দগী মপাঙ্গল কন্বা
মপুনা শেম্বিবা অথোয়-অহেনবনি।
মশিং লৈত্রবা খংঙমদ্রবা হৌরকফম কয়াদগী
হৌরকখিবা জগতসিগী মপাঙ্গলনি খংজৈ।

ঐগীদি ইপাঙ্গল লৈজদে,অকিবাসু লৈজদে,
অকনবাসু নৎচদে,পাঙ্গল সোঞ্জবাসু নৎচদে।

ঐগীদি থম্মোয়নুংদা অসাওবাসু লৈজদে।
নুংশিবাদু নুংশিকোমদা ফুম্না থমজৈ
ইচিনাওশিংগীদমক, মীয়ামগীসু য়াওনা।
ঐবু নুংশিবিবা মীওইবগীদমক থাজবনা মাংথাজৈ।

ঐদি ইনাকখুনবা মচানি
হরাও- কুম্মৈ হৈনজবা জাতিনি
তুং-মাং য়েংবা হৈনজদে। মাং থাবসু হৈনজদে।

থৌনা ফরবা পাওনা ব্রজবাসিসু ওইবা ঙমজরোয়,
থাঙ্গাল জেনারেলসু ওইবা ঙমজরোয়
বীর টিকেন্দ্রজিৎতি ওইনিংঙি ইমুং মনুংদা
মপালদদি ঙমজরোয় ফাসীগী থৌরিদু কিজৈ।
অদুমক ওইরবাসু অদুঙৈগী নিংতম্বাদুদি পামজৈ।

১৭ মে ২০২৩



CS CamScanner

## অদুঙৈগী নিংতম্বাদু ০৭

উরু উরুবদা উংখৎনবা
তারু তারুবদা তাথিরবা
চিঙগা তমগা তমথিনবা
সাওনররোয়শি কৈদৌগে
ইংথবিয়ু কৈদৌগে চরাংনাবদু
পুরক্লসি অমুক অদুঙৈগী নিংতম্বাদু।

১৭ মে ২০২৩



CamScanner

## অদুঙৈগী নিংতম্বাদু ০৮

অদুঙৈগী নিংতম্বাদু সাওনবা কয়ানা মাংথারদুনা
অওয়াবা নুঙাইতবা কয়া থোক্লদুনা
থোকখিবা থৌদোকশিংদু
য়ুগী গ্লাসতা তাওনা লৈররে
নুমিদাং থেংলগা
থাজ মঙালদা লুপখি অমুক।

মচু কয়ারক হোংদোক্লি
অওয়া-নুঙাইতবগী তাইবং
লেপনাইদ্রবা খোঙচৎকী লম্বীদা
থেংনবা লেপ্তে নমথিবা সাজৎকী মীনুংশি।

মীনুংশিগী মচুসু হোংদোকপা লেপ্তে
অফাও শাবগী অহেনবা তানবগী তাইবংদা
মীনম তৌদুনা লৌশিং শিজিন্নবাদু
অমম্বা লানখ্রবা মতুংগী মঙালদা ইঙাল ঙানবনি।

ইনাকখুনবা লাইরবগী মীওইবা পুন্সী
মশক ফজবা- থীবগী তাইবংদা
অহাওবা চারগতা হরাওজবা
কনাগুম্বানা লাইর চিঞ্জাক্ল হাওজবা
মীওইবগী সাজৎ- লমচৎ ইঙান ঙান্ন উনরে হন্দক্তী।

১৮ মে ২০২৩



CamScanner

## অদুঙৈগী নিংতম্বাদু ০৯

মীওইবাগী পুন্সিগী খোঙচৎতা
লেমজনা হিংননবগীদমক্ত
মা মাগি কাননবাগীদমক
হরাও খোঙচৎ
নুঙাইতবা খোঙচৎ
শান্তিগী খোঙচৎ
ওয়াকৎ খোঙচৎ
লান্দাবগী খোঙচৎ
হুরানবা চৎপগী খোঙচৎ
জাৎ-জাৎকী খোঙচৎকী খোঙচৎঙক্তনি।

কল্লক- মীহৌবনা মাং থারদুনা
যুম-কৈ,লোয়শং লাইশং কয়া মৈ থাদোকপা
মীনা মীগী থম্মোয় কয়াসু মৈ থাদোকপা
মীনা লাইগী লাইশংসু মৈ থাদোকপা
লাইদুনা করম্বা লাই ওইরগা
মৈ থাবা মীদুবু করম্না ঙাকপিখিবনো?

লাই মহাকসু উ উনা উশিন্নদ্রবরা?
লাই মহাকসু মীচং নাইবা লাইরা?
অদু ওইরবদি
অদুঙৈগী নিংতম্বাদু কনানা লৈফম তাকপিগনি?

২০ মে ২০২৩

## হিংনা হিংনা শিররোয়শি

মীওয়া তাবগী মতম লৈনদ্রে
ফুংগা ওয়ারী সানখিদ্রে
ইঙ্গাং লান্নবগী ফজবাদু লৈনখিদ্রে।
মীতৈগী চিরবা চিল্লবা মতমসিদা
অসাওবনা মাং থানগুমসি
বুদ্ধি লৌশিংনা ইহুন ওইরশি।

লান্দ লান্মী ওইবা ঙমদ্রগাসু
লান্মী মথম্মোয়দা থৌনা হাপ্পিসি
তেংবাং মতেং হাপ্পা ঙমদ্রগাসু
মথম্মোয়দদি মৈ থানরোয়শি।

তিংনা চৎলম্বা থবাক অদু
পৈন পৈন চৎপসু ঙমলকত্রবা মতমসিদা
অমানা অমাবু নমথাক তৌনবা
অমানা অমাদগী হেল্লে ওয়াৎলে
লাল্লে চুমদ্রেগী খৎনরোয়শি।
মীতৈ ঐখোয়না অফাও শারিঙৈদা
কুকি মখোয়না মাংথাখ্রে লমজেলদা
মদু ময়াম খন্থনরশি
হিংনা হিংনা শিররোয়শি।

২০ মে ২০২৩



CamScanner

## অদুঙৈগী নিংতম্বাদু ১০

পলেম ইমাবু হাৎপা ঙম্বা নঙবু নুংশিবা য়াব্রা?
পম্থৌ ইপাবু হাৎপা ঙম্বা নঙবু নুংশিবা য়াব্রা?
মহৌশানা মথক্তগী লাইবাওগুম্না হায়রক্লে-য়াদে।

ইয়াম্মা হাৎপা ঙম্বা নঙবু নুংশিবা য়াব্রা?
ইচা-ইচল হাৎপা ঙম্বা নঙবু নুংশিবা য়াব্রা?
মহৌশানা মথক্তগী লাইবাওগুম্না হায়রক্লে-য়াদে।
অদুনা ওইরবোয়রে ইমানা
অকনবা খোল্লাওগা লোয়ননা
তেংথারদুনা লাওথোকপিরিবাদু -

"হন্দোকপিরক্লো ঐগী চহী লিশিং কুন্থ্রাগী নুংশিবাদু
অদুঙৈগী নিংতম্বাদু,
হন্দোকপিরক্লো ঐগী লমন, খুল্লংলমন পুম্নামক
থম্মোয় কায়থারক্তুনা শিন্থখিবা ইমাগী মীৎকী পিরাং
হন্দোকপিরক্লো ঐগী ইচল নুপীগী ইজ্জত
হন্দক্তা মদু নঙনা মীনম তৌদুনা মুনখিবনি।

নঙনা লাঞ্জেল্লকপা মতমদুগা
নঙগী অওয়াবা তাখিবাদুগা
লৈফম-চাফম পিরদুনা,
লৈজাদবনি খন্দুনা
ঐনা নুংশি খুদোল কয়া তমখিবা
কাওদ্রি ঙসিসু।

মতম মতমদা নঙগী অওয়াবা কনবিখিবা
তেংবাং মতেং কয়া তৌখিবা
মদু পুম্নামক হন্দোকপিরক্লো
হন্দোকপিরক্লো সোয়খ্রবা চহী হুম্ফুগী নুংশিবাদুসু।

ঐগী থম্মোয়নুংদা য়োকচাদুনা থমজবা
মীনুংশি থাজবা পুম্নামক
ঐগী থবাক থুগায়রদুনা মুনখিবা নুংশিবা পুম্নামক
হন্দোকপিরক্লো ঙসিদি
হন্দোকপিরক্লো অদুঙৈগী নিংতম্বাদু।

২২ মে ২০২৩



CamScanner

## অদুঙৈগী নিংতম্বাদু ১১

নখোয়গী সনালৈবাক মনিপুর
ঐখোয়গী ইমালম মনিপুরদা
তোয় তোয়না লানথেংনৈ
মীগা-লাইগা তিন্নরিঙৈদেনা লানথেংনৈ
মসি লালহৌবাতসু নত্তে
ঐখোয়-নখোয়সু কাওনখ্রবনি খংনৈ।

অদুঙৈগী লাই হাক্তক্কী লাল
নিংথৌ ফম মুন্নাবগী মচিল-মনাওগী লাল
অওয়াগী লাল
বৃটিশ লাল
নুপীলাল
অদুক শাথীনা শোক্লখিবা
অদুক য়াম্না মীশিং খংদনা শিনাখিবা
লালশিংদুবু মনিপুর প্রজানাসু কাওনৈ
লালগী মফম্নি অতোপ্পা জাতিনাসু খংনৈ
নখোয়সু কাওনৈ
ঐখোয়সু কাওনৈ।

নখোয়গী সনালৈবাক মনিপুর
ঐখোয়গী ইমালম মনিপুরদা
মীতৈ অমানা মীতৈ অমাবু য়েংথিনৈ
ইমা কৈথেলদা লানথেংনৈ
পাওনা বাজারগী লৈরক্তা য়ুঙাও থেংনৈ
ঙাওত্রংনরগা নুপি-নুপা খৎনৈ
অমানা অমাবু দোকান্দগী চিংথোক্লা ফুনৈ।

নখোয়গী সনালৈবাক মনিপুর
ঐখোয়গী ইমালম মনিপুরদা
মীতৈনা পৈশা পাইবা সারদুনা ফুটানি তৌনৈ
য়াওশং-চৈরাওবদা লেপ্পা নাইদনা
লৈকাই লৈকাই থাবল চোংনৈ
অদুবু
য়েক্লবগী মায়োক্তা

থাং পাইনা চোংগাদবা
পাওনা ব্রজবাসীদি অমত্তা লৈরমদ্রে খংনৈ।

সিসিপুরদগী ঙসিদি
ইম্ফাল ময়োল য়ৌরক্লে প্রজা ময়ামসু য়েংনৈ,খংনৈ।

অদুবু কনানা কনবিগনি?
কনানা পিবিগনি অদুঙৈগী নিংতম্বাদু?

২৩ মে ২০২৩



CamScanner

## অদুঙৈগী নিংতম্বাদু ১২

নোঙানবা খুদিংগী নোংমগী তৎতনা
ঙানথোয়রবা অয়ুক অমাগী মহুৎতা
মমজুনরবা অতিয়ামা উননতা লৈরে, মমসিল্লক্লে।

ইমালম লাইফমলেন্দা লাই ময়ামসু
নোংমৈ মখোল তাবদা কিরদুনা লোৎখ্রমাল্লে
নুমিৎলাইসু লোৎখ্রে কুনমাথোয়নি ফারক্লে।

নোঙানবা খুদিংগী নোংমাগী তৎতনা
সূর্যপ্রণাম তৌজগে হেক তৌবদা
নোংমৈ মখোল তাদবা য়াওদ্রে,
কালেনগী মৈশাদা য়ুম মৈ চাকপাগুম্না
কংলৈচা ময়ামগী থম্মোয়সু লেপ্তনা চাক্লে।

নোঙানবা খুদিংগী নোংমাগী তৎতনা
নুমিৎলাই খুরমগে হেক নোংপোক ওনবদা
ইমাংমক্তদা চীঙ কিন্থরক্লে
উপাল-হৈপাল তেকথরক্লে, মীয়াম ঙক্করক্লে।
লাই নখোয়নসু লোৎখ্রবদি
কনানা থৌনা হাপ্পিগনি?
কনানা পিবিরক্কনি অদুঙৈগী নিংতম্বাদু?

২৪ মে ২০২৩



CamScanner

## অদুঙৈগী নিংতম্বাদু ১৩

কুকি মখোয়না
মখোয়গী মীচং শেমখ্রে
মীতৈ ঐখোয়না
কুম্মৈ য়েংবদা মতম ফংহৌদ্রে।

মোরেদা য়ুম য়াংখৈ মৈ খাদোকখ্রে
সিসিপুর লাম্হোক্কুনা
ট্রংলাউবী, কুম্বি
ককচিং সুগ্নু য়ৌরক্লে।

মনিপুর ময়োল য়ৌরক্লে
কয়ানি অওয়াবা  খাঙগনি?
থওয়ায়শে ওয়ারেনে,
ইমানা কৌরক্লে
নখোয়বু কায়দনো? চোংথোরক্লোনে।

অদুঙৈগী নুপিলাল নিংশিংলশি
অসাওবা নেমথনরশি
অদুঙৈগী নিংতম্বাদু পুরক্লশি।

২৮ মে ২০২৩



CamScanner

## ঐগী মঙ

ঐগীদি অতিয়াসিমা পুংথন থন্না
শন্দোক্লা লৈরি ঐগী মঙলান কয়া
অশংবা অঙাঙবা
অঙৌবানা চিংবা মচু তরেৎনি।

ঐগী মঙ মচুদুদি
নঙগী পামদবা
নুংশিদবা মচু ওইরম্বা য়াই
মদু মা-মাগী অপাম্বনি
মদু ঐগী কৈসু কায়দে
ঐগীদি মীওইবগী থম্মোয় মচুনি।

কয়াদা ফজখ্রবা মীতৈ ঐখোয়গী
মঙজবা মঙ মচু
ঐগীসু নুংশিজখ্রবা
মঙলান মচু,
ঐগী লৈফম-চাফম্নি ঐগী অতিয়া
মীতৈ মীয়ামগীসুনি।

নঙগী মচু তরেৎ নাইদবা
ওয়াখল মচুদুদি করম্বা মচু জাৎনো
মঙ মঙনরিবা মীওইশিংনা হংনরক্লবনি
মদু নঙনা খংদ্রবসু মীয়াম্না খংনরবনি।

১০ জুন ২০২৩



CamScanner

## নোংমা ঐনা মীহাৎপা ওইরকপদা

লাইবাও নত্তে,ইতিহাসনা হায়রি-
নিংথৌদি নিংথৌনি
মতু লোনবা, মীচং মরাং কায়বা
অহাও- অথুম চারগা
তুমখুল তাম্বা মাগি মহৌশানি।

মীতৈ ঐখোয়গী মনিপুরদি
লাইয়ামগী লাইফমনি
লাইয়ামগী কুম্মৈ তৌফমনি
প্রজাশিংগী লানফম্নি, লানশোক্লফম্নি।

মীনুংশি চাওবা নিংথৌ নঙনা
নুংশিবিদুনা য়োকপিখিবা
অঔয়াগী কুকিশিংদুনা
মীতৈদা লান্দারকপগী পাও
মনিপুর লান্থোক্তুনা হৌজিক্তি
জগতসিগী মায়কৈ মরি শিনথুংখ্রে।

ইচা- ইচল, ইমাইবেলশিংগী পেন্দবগী খোল্লাও
অওয়াবা মৈচাক্কী তেংথাখোল
থম্মোয় শোক্লবা তেংথারোল
মদু নঙ তুমলিঙৈদা তারমলোয়দো
হিংচাবা মীহাৎপা কুকি নঙসু তারমলোয়।

নোংমা ঐনা মীহাৎপা ওইরকপদা
মদুগী মৈচাক সোয়দনা খংলক্কনি, খংঙু
অওয়াবা-নুঙাইতবগী মৈশানা
নোংমাদি নঙসু সোয়দনা চাক্লগাদবনি,খংঙু
নোংমা ঐনা মীহাৎপা ওইরকপদা।

১২ জুন ২০২৩



CamScanner

## ঐদি হল্লোয়

অওয়া মৈশানা চাক্লদুনা
তেংথা পোৎলুম পুরদুনা
ঐনা লাঞ্জেলকখিবা
মীনা লাকচখিবা
ঐনা পেলহৌদবা
পেন্দবনা চাক্লেদো ঐদি।

লাই-তিন
লাইনিংথৌ
ইনিংথৌ-মনিংথৌ
পুন্নামক ঐগী ওইরগদি
চীঙ-তম
ইশিং-নুংশিৎ
নুমিৎ-থা
ওয়ারেপ-ফিরেপ পুন্নামক চুম্লগদি
ঐদি হল্লোয়।

ঐগী পুন্সি
নঙগী পুন্সি
মীওইবগী পুন্সিফম
নঙ ঐগী মঙ মঙলান
লৈফম চাফম,মীতৈ ঐখোয়গী লাইফম
পুন্নামক চুম্লগদি
ঐদি হল্লোয়।

১২ জুন ২০২৩



CamScanner

## ইমালম মনিপুরদা

ঐখোয়গী ইমালম মনিপুরদা
মমানা মবুক্লুংদসু হোল্লি
মনগনদসু হোল্লি
মচাগী অশিবা হকচাংদুসু হোল্লি
মদুসু নোংমৈ মরক্ত,চীঙখাদা।
মপাবুংনা মচা হোল্লি
মচানসু মমা হোল্লি
মবুংনা মচলগী অশিবা হকচাংদুসু হোল্লি
মদুসু নোংমৈ মরক্তা,চীঙচেপ্তা।
মদুসু জোংনা লৌবু তানবাগুম
শারমচৎ চৎপা কুকিনা লান্দারকপদা
মীতৈগী দেশতা
ঐখোয়গী ইমালম মনিপুরদা।

হয়েংনা করম্বা মফমদা
কনাবু হাৎখিগদৌরিবনো
কংলৈচা ঐখোয়না উংখৎনরিঙৈদা
নোঙানবা নংদে-
চীঙ কিন্থরকখি
য়ুম-কৈ কিন্থরকখি
লোয়শং লাইশং কিন্থরকখি
নুংশেল কায়বাগুম্ন মথম্মোয়সু কায়খি।
মীওইবা হায়বাদুদি
এ আর গী গাড়ীনা তকখায়খ্রে
মীওইবাগী মীনুংশি হায়বাদুদি
রাজনীতিগী বুলডোজারনা তকখায়খ্রে।

০৩ জুলাই ২০২৩



CS CamScanner

## ইমালম মনিপুরদা-২

ঐখোয়গী ইমালম মনিপুরদা
নোঙজু থাদ নোঙ তাখিদ্রে
নোঙগী মহুৎতা মীৎকি পিরাং ওইনা
তাথরকপা লেপত্রি হৌজিকসু
নোঙগী মহুৎতা নোংমৈ গুলি
নোংমৈ কাপসল্লকপগী, কাপ্লবগী মখোল মনিন,
ওয়াকৎফম লৈরকত্রবদা
লাও- খোংনা কপ্লবগী মীরাওখোল
লেপ্তনা তারকলি নোঙগী মহুৎতা।

করি চারগা লেনগনি
ইচা-ইশু করি পিজগনি
চান-থক্ক লৈরকত্রবদা
কয়ানি খাংগনি, থোক্তবদি য়াদেদো-
বাজার চৎপদা কাপথারক্কদ্রা
ইংখোল চৎপদা কাপথারক্কদ্রা
য়েনখা থোকপদা কাপথারক্কদ্রা
উংখৎনা লৈরিঙৈদা
খল্লি খল্লিঙৈদা
য়ুম মৈ থাদোকপিরম্লে।
লৈফম লৈজদনা তমদগী চিঙদা
চিঙদগী তমদা হিংননবগী লাঞ্জেন্নবদা
হিংচাবশিংদুনা নোংমৈ কাপ্তুনা হাৎতোকপিখ্রে
হাৎপগী লীলা লোয়বা নাইখিদ্রে
ঐখোয়গী ইমালম মনিপুরদা।

নোংজু থাদ নোঙগী মহুৎতা মীৎকি পিরাং
অতৈ কয়ানি শিন্থরগা পেনগাদবনো?

০৯ জুলাই ২০২৩



CamScanner

# অথৌবাশিংগী থওয়ায় মীরেল উরুবদা

চাওখৎপগী ইচাওরকপা মতমসিদামক
ইমাংদমক কংনা লৈরে তুরেল কয়া
চেনখিদরে ইচেল হান্নগুম
লৈক্রক ওল্লে
লৌবুক্ক চিংবা পাত কয়া
উফুলনা উফুল চায়রে মীওইবগী মথম্মোয়দা।

উরু উরুবদা
য়েংলু য়েংলুবদা
মমালৈবাক্কীদমক থওয়ায় হকচাং কৎথোকখিবা
অথৌবাশিংগী অশিবা হকচাংঙক্তা
উরুদবা মীওইনাসু তেংথানরি
উংখৎনরি
মীওইবনা মীওইবগী অওয়াবদা।

মখোয়গী থওয়ায় মীরেলশিংদুনা
পেন্দবগী মৈচাক্ক
লাইনিংথৌ গী মথক্তা
ভগবান শ্রী কৃষ্ণগী মথক্তা
প্রভু যীশু গী মথক্তা
ধর্না তৌরি, লাওরি, চৈরি তাহৈদবা খোন্থোক্ক
মখোয়গী কপ্পবগী তেংথাখোলনা
অতিয়া পোকখায়গদৌরে
শোরারেল নিংথৌনাসু তাবিদ্রে।

মথম্মোয় চাকমনখিদুনা
মখোয়গী মরক্তা
কাংবুমনা থাং-তেন পায়রদুনা
মীহাৎপা থিরি,
কাংবুমনা প্রতিশোধকী মৈচাক্ক
মৈরা পাইরদুনা
মীহাৎপাশিংদুবু কন্না তান্নরি থিরি,
কাংবুমনা অকংবা তুরেলদা ইরুপ্নরি।

১১ জুলাই ২০২৩



CamScanner

## হন্দক্কী অতিয়াদা

নোঙজু থাদ অতিয়া থন্না
মহৌশাগুম্না নোঙ পায়রক্লি চবুন চবুন
পাখং ওইরিঙৈদদি
নোঙরক্তা নঙবু উরম্বনি
লৈশারক্কী উফুল কাওরদুনা চেন-চোংবা।

মীনুংশিগী নুংশিনবদি
জাত-ধর্ম খঙদবনি
নঙগীদি হান্নদগী ধারাপাত য়াওরমদবনি
মদু মীয়াম্ন খংনবনি
নোঙজু থাদ মদুনা ওইরে
হন্দক্কী অতিয়াদা মৈ চাক্লিবা?

১২ জুলাই ২০২৩



CamScanner

## ইহৌদবা শৈরেংদু

কুমগী অহানবা নোঙ চুথারকপাসিদা
হরাওমন্দুনা সুমাংদা চেম্থোক্ল য়েংলুই
কন্থি চাওরবা নোংখাকপাদু হনুমান লোয়নরক্রুমাল্লে
ঙহাক পাওয়ার তৌরম্মী মহৌশাগুম্না।

অকিবনা উচেক-ওইয়া ময়ুম থাদোক্লখি
উচেক অনিখক্তি তাইবং মীবু মীনুংশি তাকলম্মি
উসা অমাগী মরুমদা লোন্ন ফম্বিনরগা।

নোঙজু-নোংখাকপা অমসুং
হেঞ্জন্না ইচাওরকপগী থৌদোক্তা
মীনুংশি লাইনুংশি করিমত্তা য়াওরমদে
প্রকৃতিগী মথৌনা উৎলম্মি মহৌশাগুম্না
উচেক অনিদুগী নুংশিনবাদুদি প্রেমপুরাণদা য়াওরম্মি।

হনুথংদা মখোয়নিগী নুংশিনবাদু উরূবদা
মতম্মদা ঐনা পাখং ওইরিঙৈদা
চৈরাওবগী থাবল চোংবদা
পামজারুরবা মীতৈ চনুরাদু
নৌনামুক নিংশিংলুই।

পেনবা নাইদ্রবা মীওইবনা
ঐগুম্না মরক মরক্তা নিংশিংনরিবনি হৌখিবা মতমদো
অম্থোক্ল পামুইদা মতমদুগী ইহৌদবা শৈরেংদু।

১৫ জুলাই ২০২৩

## পোকখায়রক্কদৌরিব্রা?

পাওখুম অমত্তা পিবিরকত্রবা ওয়াহং কয়া
প্রজাশিংগী মথম্মোয়নুংদা
উংখৎনা লৈরে
অওয়াবা-নুঙাইতবনা খোয়সাওনরে
কনানা পিবিগনি মীচম প্রজাগী অচুম্বা পাওখুম?
লৈঙাক্ক ঙাক্ক লৈখ্রে মীতোপ্পু প্রজা খন্দুনা।

মথম্মোয়নুংদগী পোকখায়রদুনা করিগুম্বা
অদুঙৈগী নুপিলাল
নত্রগা নুপালাল অমা ওইরগাদৌরিব্রা?

মদুসু নত্তবিদা থোক্লিবা লান অসি
কনানা থেম্বিদুনা ইংথাহনগনি?
ওয়াহং অসি প্রজাগীসুনি, ঐগীসুনি।

"লোং লিভ মনিপুর"
"নো ওয়ার"
"পিস ইন মনিপুর" লাওরম্বা প্রজাশিংনা
লাওনা কানররোয় খংলক্লে
লিংজেল মান্নবগী অপুনবা খোল্লাও অমা
থৌদোক অমা মথম্মোয়নুংদগী
পোকখায়রক্কদৌরিব্রা খংদ্রে,
ওয়াহংসিনসু ওয়াহং অমা থোক্লে
প্রজা মীয়ামগী খোম্থোক্তা।

১৫ জুলাই ২০২৩

## মীচং নাইখ্রে

হৌথি হৌখিবদা থা অনিমখায় হৌখ্রে
মীহাৎপগী লীলা লোয়বা নাইদ্রে
কনানা লাল্লিবা কনানা চুল্লিবা
মদুগী পাওখুম নত্তে মীয়াম্ন পাল্লিবা!

পাওখুম য়াওদ্রবা ওয়াংঙক্তা
মীওইবগী লম্বী থৎনা থমখ্রে
পুন্সিগী খোঙচৎ খংলেপ লেপখ্রে
কনানা পাওখুম পিবিগনি?
ওয়াহং-পাওখুম মরক্তা মীচং নাইখ্রে।

১৯ জুলাই ২০২৩

## য়েংনা লৈখিগদ্রা

মৈরা পাইবী ঐখোয়গী ইমাদো
খোঙজং কয়াদা মাংজিংবী ইমাহলদো
পেন্দবা নুঙাইতবনা
মথম্মোয় চাকমনখিদুনা
মমিৎতগী শিন্থরকপা পিরাংনা
ইম্ফাল তুরেলদা তাওথখ্রে
নঙ-ঐ সুম য়েংনা লৈখিগদ্রা?

খোয়জমানতাবিগী ইন্দোমচাদো
য়ুম মৈ চাকপাগুম্না
মথম্মোয়দসু চাক্লি,মৈ দগী মৈতান
কনামত্তানসু ইংথহনবিদ্রে
নঙ-ঐ সুম য়েংনা লৈখিগদ্রা?

১৯ জুলাই ২০২৩



CamScanner

## হে তাইবং মপু

নোংমাগী তৎতনা ঐগী ওয়াখলদা খঞ্জরিবাদুদি
মীতৈ ঐখোয়গী কাওঙমদ্রবা পোক্লফম
ইমা লমদম মনিপুর নঙবুনি।
মীতৈখক্তাসু নত্তে মলেমগী মীয়াম্নসু
নুংশি খোয়দানরিবা
মীতৈগী লাইরৈবাক্কি হায়নরিবা
ইমা মনিপুর নঙবুনি।

ঐগী নোংমাগী তৎতনা খঞ্জরিবা ওয়াখলদি
অদুঙৈ লাঞ্জেন্নবদা চিৎথনা লৈহৌবা
ইমা নঙনা পোকপিরম্বা ঐগী ইচিনাওশিংদুনি।
মখোয়গী অসুক ওয়ারবা মতমসিদা
মপান মনিপুরগী কংলৈচা ঐখোয়না
চিংখৎনা লেপহনবা ঙমদেদো ননাক্ত লৈতবনিনা
কনবিবা ঙমদবা ঐখোয়সু
নখোয়গী তেংথাখোল তারগা তেংথারিবনি।

নোংমাগী তৎতনা য়াইফা থৌজাল নিজবনি
লাই খুরমজরিবনি
তাবিদ্রেদো ঈস্বর নঙনাসু, ঙসি মতম কুইরক্লবনি,
সোল্লবা নচানা অঙাঙ লাইরিক পাবগুম্না
লাইশোল শোঞ্জরিবনি ইচিনাওশিংগীদমক্তা।

লাই নঙনা লাই ওইরম্লগদি
ঈস্বর নঙনা তাইবং শেম্বিবা ঈস্বরমক ওইরম্লগদি
নচাশিংগী তেংথাখোল সোয়দনা তারম্লগদি
ঙাকপিগনি খঞ্জে, হে তাইবং মপু।

১৮ আগস্ট ২০২৩

## হাৎপগী লীলা

মীওইবদা মীওইবদি লৈখিদ্রে
মীদি অমানা অমাগী ওইফম থোকপনি
মীগী থম্মোয়দা মীনুংশি য়াওনদ্রে।

লম্বী- লমখাং কোয়থিং থিংখ্রে
নোংপোক থোং, থোংনাওসু থিংখ্রে
মিৎত্রংগুম্ন পৃথিবীসু পৃথিবীগী মথক্তা তাওনা লৈখ্রে।

শংবানরবা অতিয়াদুসু মুসিন মুখ্রে
শোরারেন নিংথৌসু মীওইবগী অওয়াবা য়েংনিংখিদ্রে
মীওইবগী তাইবংদি দেউলিয়া ওইখ্রে।

নোংমাগী তৎতনা মীনা মীবু হাৎপা
নোংমাগী তৎতনা মীনা মীগী ময়ুম মৈ থাবা
করম্ন খাংনরিবা খং খংনা খংনদ্রি।
হাৎপগী বিচার হৌদ্রি
হাৎপা লোয়বা ঙায়নরিব্রা খংদ্রি
লৈঙাক্ল উরসু উশিন্নদ্রি।

আইন গী লীলা হৌরক্লগা
হাৎপগী লীলা লোয়রগদ্রা খংনদ্রি।

১৯ আগস্ট ২০২৩



CamScanner

## শামুলমসানা কন্ন তান্নরি

মীওইবনা মঙজবা মঙ মতুং ইন্না
মরিক চুম্না চৎথরি চাওখৎননবা
মশাগী, ময়ুমগী, পোক্লফমগী
লেপ্তনা হোৎনরি অনৌবা খোঙথাং
মালেম অমাগী মথক্তা মালেম অমা শানবগী।

সা-ঙাগী মহুৎতা তিন-কাং ফারগা চাবা
থোংনা চাগনি খঙদবা
হিংনা চাবা হিংচাবা খরনা
লোন অমসুং কালচারদা চাওখৎখ্রবা
মীওই ফুরুপ অমাগী মথক্তা
পোকপা শিবা, হিংবগী মতম তাকপিগেগুম
গনক সাররিবা হিংচাবাশিংদু
ইপু পাওনাগী থাংশাং উরূবদা কিরদুনা চেনখ্রে।

হিংচাবাশিংদুগী উসিৎ থয়োয়দবাদু উরূবদা
মহারাজ চন্দ্রকীর্তিগী শামুলমসানা কন্ন তান্নরি।

২১ আগস্ট ২০২৩



CamScanner

# মায় পাক্লোয়দবা লৈতে

অতিয়া থন্ন হান্নগুম হৌজিকসু
নুমিৎ-থা ঙাল্লি তাইবংসিদা
মহৌশাগী থৌশিন্দগী মতম নায়না
নোঙ-নুংশিৎ শিৎলি
লৈ শাৎলি মতম লোয়রগা মনাসু কেল্লি।

মরায়লাই লাক্তুনসু হিংচা চাখি
কোভিড লায়নাসু লাকখি,হনখি
অশি-অনা থোকখি
লাইবক থীবনি মীওইবগী
মদুসু তাইবংগী মহৌশানি।

মহৌশাগী থৌশিন্দগী অওয়াবা থোক্লি অমুক
অওয়াবগী মতুংদা নুঙাইবা মতম লাক্কদৌরিবনি
হোৎনবা কল্লবদি মহৈ য়ানবা সোয়দ্রবনি।

থম্মোয়নুংদা অকিবা লৈতনা
অপুনবা থৌনাগী চৎথরিবা খোঙজংদি
কৈদৌনুংদসু মায় পাক্লোয়দবা লৈতে।

২৪ আগস্ট ২০২৩



CamScanner

## শারমচৎ চৎপা

শাজৎ ফজদবা থম্মোয় পান্দবা
শারমচৎ চৎপা মীওইশিংদুদি
কৈদৌঙৈদসু মশাগী অরানবদু ফোংদোকলোয়
লাল্লে খঙলবসু লাল্লে হায়রকলোয়।

মীরমদমদা শতক তানবা কাংবুদো
নিংশ্বাস্বর হোনবা ঙমলকত্রবসু
লেপ্তনা অঙম তাল্লি ইকায়-ইকি তারদুনা।

মতিকচাবা খুৎলাই পাইরে হায়দুনা
মীবু মী ওইনা খন্দবা অপংবা নোয়বু
তুং হন্ন য়েংঙু নোয়গী মীচংশিংদু
মহু চেল্লবা লীন খারৌনা চিক্কুনা
অমামম হায়থখ্রে লমায়দা
ডাক্তর থারকউরা হংলক্লে মৈরা পাইবী ইমাইবেলনা।

মতৈ-মনাও মীচংদগী মচিল- মনাও খৎনৈ
পলেম অপোকপি মমাগাসু খৎনরিবা তাইবংসিদা
কয়ানি খৎনরগা পেনদোয়নো শারমচৎ চৎপা নোয়বু?

০৪ সেপ্টেম্বর ২০২৩

## হায়বিয়ু

লান মরক্তা
ইরমদম ঙাক-কনগে খনবিদুনা
মাংথারিবা থৌনা ফবা মীওইশিংদুবু
লময়ানবা হায়বিয়ু।

মীতৈ লৈবাক ঙাক-কনগে খনবিদুনা
খোঙজং পুন্নমক্তা অশি-অনা সুংকি কিদনা
কোয়চেন চেন্দুনা
য়েক্লবগা মায়োক্নরিবা মতিক লৈবা মীওইশিংদুবু
লৈবাক নিংবা লান্মী হায়বিয়ু।

নোংমা পোক্লদি নোংমা শিগনি
নিনি শিরোয় খংলদুনা
ইমা লৈবাক ঙাক-কনগে খনবিদুনা
থওয়ায় মীরেল কৎথোকপা ঙম্বা মীওইশিংদুদি
কৈদৌঙৈদসু শিররোয়দ্রবনি
মৈতৈ পুয়ারিদা সনাগী ময়েক্না ইদুনা থম্লগদবনি
থৌনা ফরবা অথৌবাশিংদুবু দেশপ্রেমিক হায়বিয়ু।

ইরমদম ঙাক-কনগে খঙনা খঙনা সুংখঙ খঙদবা
অদুঙৈগী মনিপুরগুম তংদু লৈতাহনবা ঙমদবা
লৈঙাক্তুদি-
শারমচৎ চৎপা কুকিশিংগী
মীচং মীওই হায়ফম থোকপনি, হায়বিয়ু।

১১ সেপ্টম্বর ২০২৩

## খঙনা খঙনা খঙনদ্রি

অকি-অখং মরক্তা
নোংমা লেনবা, নোঙানবা ঙায়বদা
খাঙবা ঙম্লকত্রবা ওয়াখ্রবা মতমসিদা
ঙহাক লৈতনা নোংমাগী তৎতনা
অঙক অঙকপা পাও
য়ৈররী নাকোং নাকোংদা
তাগদবা তানরি, খাঙগদবা খাঙনরি
কাওনদ্রি হৌখিবা মতম। খঙনদ্রি লাক্লিবা মতম।

লান অসি ঙাকথোক্লনতা হিংবা য়াররোয়
খঙনা খঙনা খঙনদ্রিবনি
অথুবদা লান্দাবগী মথৌ তারে খঙনাবাদু
অদুঙৈগী নুপীলান অমামুক মথৌ তারে খঙনাবাদু
খঙনা খঙনা খঙনদ্রিবনি।

কনাগুম্বানা লেপ্তনা মুক্লরি
কনাগুম্বানা রিলিফ ক্যাম্পদা
চাক-ইঞ্জাং ঙায়নরি,মুন্নরি
কনাগুম্বানা তেংবাং পোৎলুম পুরদুনা কোয়চেন চেন্নরি
কনাগুম্বানা লায়েংবিরি
কনাগুম্বানা লায়েংশঙদা পাখৎনরি
কনাগুম্বানা অহাও-অথুম চারদুনা
তংদু লৈতোবা মতম ঙায়না লৈনরি।

বোম-নোংমৈগী খাক্লবা মখোলদি
লেপ্তনা য়ৈররী
মীচম প্রজাগী নাকোং-নাকোংদা।

১৫ সেপ্টেম্বর ২০২৩

## মীতৈ নোংসা নোয়বু কায়দনোনে?

মথম্মোয় চাকমনখিদুনা তুংসিন্না লৈবা
পেন্দবা কয়ানা
মীতৈ মীৎলুদগী শিন্থরকপা পিরাং মচুম্না
মনিপুরগী তুরেল পুন্নামক পাথরক্তুনা
ইচাওরক্লে, মীচম প্রজা উংখৎনরক্লে।

অওয়া-অনা লেপ্তনা থেংনরিবা মরকসিদা
অপাৎপদা থুম চাইসিনবাগুম
সারমচৎ চৎপা কুকিশিংনা
মীতৈ ময়ুম কোয়থি থিরদুনা
মসিং নাইদনা মৈ থাদোকপিখ্রে।

মদুগীসু মথক্তা মীতৈ অথৌবা-অথৌবী কয়াসু
ঙমু অহিংবা হাৎপাগুম হাৎতোকপিখ্রে
মখোয়গী তেংথাখোল
কনানসু তাবিখিদে
মীচম প্রজাগী ওয়াকৎ ওয়ারোল
অমাফাও তাবিখিদে
ওয়ায়েল মপু লৈঙাক্লসু তাবিখিদ্রে।

হাৎপগী লীলা লোয়দ্রিঙৈ অমুক
চফু কায়রগা হুই হরাওবাগুম
কুকি হিংচাবাশিংদুনা হিংনা হিংনা চাথোকপিখ্রে
মীতৈ নুপী কয়াগী ইজ্জত
মখোয়গী তেংথারোল কনানসু তাবিখিদ্রে।

মখোয়গী মঙজরম্বা মঙলান কয়াসু
মৈ থাদোকপিখ্রে
মৈরীদি হৌজিকসু চাক্লি মীতৈ পুন্নামক্কী মথম্মোয়নুংদা।

অমম্বা মতমদি হৌজিকসু খোংসেকপাগুম চৎলি
পম্থুংফম খংদ্রবা লম্বিদা
তোরবুং বাংলাগী ইয়াম্বা তোম্পোক্তি

অচুম্বা লম্বিদা য়েক্লবগা মায়োক্লবদা হৌজিক্তি
নুমিৎ মঙাল কেনখিবাগুম কেনখ্রে
কেনখ্রে নক্ষত্রগুম্লবা অথৌবা-অথৌবী কয়াসু।

পামুইদা অদুঙৈগী নিংতম্বা মতমদো
বেরা চেনবা ঘড়িগুম্না লেপখ্রে
লেপ্ল লৈরিবা মতমদি
ওয়ারোয়শিন য়াওদবনা মখোং তেকখ্রে
চৎপা ঙমখিদ্রে য়াদবা ঘড়িগুম্না।
মতমগী মমাংদমক তান লৈরে
ইরৈচাশিংগী অশিবা হকচাং কয়া
লৈবাক্কী চৈশু পাইরিবা কনামত্তনা
মখোয়গী পাও লৌবিদবনা
ওয়ারৌমনখিদুনা ইমা ময়াম চোংথোরকখিবনি
ময়ুম ময়ুম থাদোক্কুনা সড়ক্তা, লান্দাফমদা।

লাই ওইখ্রবী সিসিপুরগী ইমাহলদো
অশিবা মরক্তগী লেপখৎলক্কুনা
হিক্ল হিক্ল তেংথারদুনা লাওরকখি
মীতৈ নোংসা নোয়বু কায়দনোনে?
ইচাশা লাওনে ইনাক্ত, ইমা মাং থাগে---।

১৭ সেপ্টেম্বর ২০২৩

## করৌঙানবা

করৌঙানবা ঐগী অহানবা ইশুনি
ইচাদগী ইশুনা নুংশিবা হেল্লি হায়বাদু
অহল ওইরগা খংনৈ হায়বাদু
মদুমক্লি ঐগী ইশুদি, করৌঙানবাদি।

নোংমাদি সোয়দনা নোয়গীসু করৌঙানদোয়নি
নোংমা নোংমা ঙায়নবদা
নুমিৎ কয়ানি হৌখ্রে
মদু ইশুগী মপু পুপু ঐনা খংজে
নোয়গী মপুদি লাই লৈবনি হায়বদু থাজরম্মোয়।

নোংমা ঐনা শ্রী শ্রী গোবিন্দজ্বীদা
তেংথারদুনা হিক্ক হিক্ক কপচারুবাদু
অঙনবা অয়ুক্কী লাইসেবাদগী
ঙক্লাদুনা য়েংনাখিবনি
গোবিন্দজ্বীনাসু ঐবু নুংশিবিদুনা
হরাওখিবনি মদু ঐ থাজখিবা লৈজে
নিংবা কল্লবদি লাই লৈতে করম্না হায়গনি?

নোংমা ঐনা ইপুধৌ মার্জিংগী
চীঙথক্তা কারদুনা
তেংথাখোল য়াওনা পেন্দবা কয়া ফোংদোকচরুবাদু
ইমিৎতগী পিরাং কয়া শিন্থজরুবাদু
ইপুধৌগী মথম্মোয়না পেল্লদুনা থৌজালবিখিবাদু
মদু ঐ থাজবা লৈজে
নিংবা কল্লবদি লাই লৈতে করম্না হায়গনি?

নোংমা ঐনা লাইনিংথৌ সনামহী গী লাইশংদা
মালেম ইমা লৈমরেলদা খুরমজাদুনা
ইশুমতং পিবিয়ু হায়দুনা
লাও খোংনা নোঞ্জদুনা কপচারুবাদু
লাইনিংবা লাকপা ময়াম্ন ঙক্ল য়েংনখি
লাইনিংথৌনা চানবিগনি হায়বাদু ঐ থাজবা লৈজে
লাইরৈবাক্ত লাই লৈতে করম্না হায়গনি?

থওয়ায় হকচাং য়াওনা নিংবা কল্লবদি
নিবাগুম্না নিজবা হৈরবদি
নোংমাদি সোয়দনা করৌঙাল্লগনি,
মতমচান থবক সুবা কল্লবদি
নোংমা সোয়দনা মহৈ য়াল্লগনি, সোয়দ্রবনি।

১৭ সেপ্টেম্বর ২০২৩

(ঐগী ইশু নুপা করৌঙানবাগী থা অমা ফাব নুমিৎ নিংশিংবগা লোয়ননা
ইমালম মনিপুরবু নিংশিংদুনা ইথোকচবা)

## পন্থুংফমদি অমাত্তনি

তাইবং মী ওইনা পোক্লকখিবা ঐখোয়গীদি
পেন্দবাঙক্তনি
নুঙাইতবদা নুঙাইবা থিগদবনি
অওয়াবদা নুঙাইবা থিগদবনি।

মবুক থন্ন চেল্লিবা তুরেলদুসু
অকংথা লাক্লগা
ওইথোক্তবা করি থোক্লগনি খন্থরিবনি।

উহৈ-ওয়াহৈশিংসু
তাইবং মীনা লেপ্তনা ককথৎলিবশি
মমিৎতগী মপি ওরো ওরো শিন্থদুনা খাংলিবনি
মদু ঐখোয়না খংলবসু খংবা নত্তে।

চীঙ-চীঙদোল,নুং-নুংজাও
সা-ঙা মখোয় পুন্নামক
মশা মশাগী খন্দবা নত্তে
অওয়াবা তারক্লগা কপ্পা খাংনরিবাঙক্তনি
কপ্পা কপ্পাদা নুং ওল্লিবনি।

কংলৈচা ঐখোয়গী ওয়াখল অমাদগী অনি সুরবসু
পন্থুংফমদি অমাত্তনি
য়েক্লবা মখোয়না পন্থুংফম তাল্লি
তুম্বা-চাবা থাদোক্তুনা
ঐগ-মাগনা মীওয়া তারদুনা
য়েলহৌমীনি চাওথোক্তুনা
ফুংগা ওয়ারি সুনরি।পন্থুংফমদি অমাত্তনি।

২২ সেপ্টেম্বর ২০২৩



CamScanner

## মৈরা লান্নীশিংনা ওয়ারৌনরক্লে

পাখৎনিঙাই কৈসু লৈতে
তরাগী চৈশুনা লেংথোন ফাদোয়নি
ফিরেপ্তা চুন্না লৌবিয়ু থওয়ায় হকচাং য়াওনা
মায় পাক্লোয়দবা কৈসু লৈতে।

উংখৎননবগী মতম লানখ্রে কুইরে
লান্দাবগী মতমসু লানখ্রে কুইরে
ফুংগা ওয়ারি লোয়শিনবিরো
মৈরা লান্নী ইমাইবেলশিংনা ওয়ারৌনরক্লে
মরিন য়াওদে হায়খিনি চোংথোকপিরক্লো।

লীন থম্মু য়েক্লবা হান্ন হাৎলুশি
কংলৈচা ইচিনাও ময়াম
মীতৈ নোংসা ওনবিরো
ইমুং মনুং থাদোকপিরো
ইরৈবাক কনবিরো, থৌনা ফাবা মীতৈদু ওইরশি।

২৪ সেপ্টেম্বর ২০২৩

## ঐগিরা নঙগিরা?

সাইক্লোন অমাখক্লা লেপ্তনা তানরক্লি
মীতৈনা খুন্দারিবা মফম মফমদা
মাক্ল চংখি চংখিবদা য়ুম লৈকাই অদো
অশি-অনা থোকই
সাইক্লোন্দগী মৈ হৌই,মৈ চাকই
অওয়াবা থেংনরিবা ময়াম্ন লাও-খোংনা কপ্লে
লৈফম-চাফম খংনদনা কোয়চেন চেন্নরক্লি।

মীগি লৈকায়দা থোকপনা
মশা-মশাগী ঙাকথোক্লরগা মফরে খন্নে
সাইক্লোনসিগী তমথিরবা থৌদোক্লা
ইমা লৈবাক্তী অশিবগী ফিঙৌনা পুংঙৌ ঙৌখ্রে
মৈরিক মৈখুনা ঙৌরুনবা অতিয়াসু মুসিন মুখ্রে।

লাইরৈবাক্কী লাই ময়ামসু মমায় লৈথোকখ্রে
অশি-অনা থোকহল্লিবা কনাননো?
মীচম প্রজাগী থম্মোয়নুংদা
মৈ চাকহল্লিবা কনাননো?

লৈঙাক্নসু ঙাকপিদ্রে
খঙনা খঙনা খংবিদ্রে
লাইনসু চানবিদ্রে,উনা উনসু উবিদ্রে
অরানবসি কনাগীনো? ঐগীরা নঙগীরা?

২৫ সেপ্টেম্বর ২০২৩



CamScanner

## চিন্থিবা

নচাসু চিন্থিবা
নপাবুংসু চিন্থিবা
নপলসু চিন্থিবা
চিন্থিবগী চিন্থিবা মরক্তুগা
নুংশিবী ইমা নঙনা
শিনা শিনা হিংলিবাদু
অঙকপনি অঙকপা!

নচানসু হায়রি লেম্ন থারোয়
নপাবুংনসু হায়রি লেম্ন থারোয়
লৈকায়গী মীচংনসু হায়রি লেম্ন থারোয়
লেম্ন থারোয়ঙক্তগী মরক্তা
নঙগী নশুশিংদি
উংখৎননা শিদৌরে
মদু নঙ উবিদ্রিবা কৈগিনোনে ইমা?

২৭ সেপ্টেম্বর ২০২৩

## ফজদ্রিবদি নরমচৎদুতনি

ঐগী য়েক্লবা নঙগীসু য়েক্লবা মীওইদুবু
অশিংবা নঙনা নমথাক তৌদুনা
নঙগী খুৎলাই ওইনা শিজিন্নরিবাদু
অপংবা ঐসু মাকসু জ্ঞ্যান তাজরে।

নশানা নশাগী নয়ুম মৈ থাদোক্লগা
ঐঙোন্দা তাইনরিবাদু
মীয়াম্ন ইঙান ঙান্ন উনরক্লে হন্দক্তী।

মতম কুইনা তিন্নরক্লবা মরুপ্তুবু
নুংশিবা সারদুনা পিজ- পিথক লোইরগা
নোংমৈ কাপশিলহন্দুনা অশি-অনা তাহল্লগা
নোঙানবগা হাসপাতালদা হংবা চৎলুবাদু
নোংমৈ কাপতুনা হাৎতোক্লগা
নোঙানবগা হংবা চৎলুবাদু
অশি-অনা নংলিবা ইমুংদুতাসু নত্তে
মীয়াম প্রজানা খংনরক্লে হন্দক্তী।

নঙসে নঙনি।
নশক নতৌসু ফজে।
ওয়াঙাংসু ফজে। তাবদসু নুঙাই।
ফজদ্রিবদি নরমচৎদুতনি।

২৮ সেপ্টেম্বর ২০২৩



CamScanner

## ইমা লৈবাক

মালেমসিগী লৈরোন তরেৎমক সুনা থিরুরে
করৌ নোঙলেন তরেৎমক্তসু কোয়থি থিরুরে
খম থেংবাফাও লেপ্তনা কোয়থি থিরি হৌজিকসু।

খংদ্রেদা লাই ময়ামসু কৈনোমা ইতৌ তৌরে
ওয়ারৌখ্রমাল্লে কংলৈচা ঐখোয়গী মথক্তা
মীনুংশি, লাইনুংশি হান্নগুম সুংজাও য়াওদ্রমাল্লে,
লাইনিংথৌ, ইনিংথৌ, মনিংথৌ, মচিনথৌ
কায়দা করি থবক চিল্লিবা
সুংখঙ খংবা ঙমদ্রে, খংদনা সুম সিদৌমাল্লে।

চীঙ-চীঙদোল, তম- তম্পাক
খ্বা- অওয়াং, নোংচুপ-নোংপোক
মথক- মখা পাতাল কুমথারদুনা কোয়থি থিরুরে
মীতৈগী লাই অমাফাও ফংনদ্রে,
মমোন নোক্নতা লৈবা
ভগবান শ্রী কৃষ্ণ সু ফংনদ্রে
কৈনোমা ইতৌ তৌরে
ওয়ারৌখ্রমাল্লে কংলৈচা ঐখোয়গী মথক্তা।

লাইরৈবাক্কী সনা পোকপি ইমা
মীতে নোংসা পোকপা ঙম্বা ইমাও
নুংশিবী ইমা নঙদি নরাইবক থিবী ইমানি,
পৈসা তানবা হোৎনবদা
নচা ময়াম্ন নঙবু নিংশিংবা ঙমনদ্রেদো
লাইবক থিবী ইমা ওইহল্লেদো।

কনানা নঙগী নপি তৈথোকপিদোয়নো
অমামম তৌনা নঙগী নচা ময়ামদো
লানফমদা মপুঙ্গি লোয়খ্রেদো
নঙগী খনবদা
ইমিৎতগী পিরাং ওরো ওরো তাখিবা
তাজসনু,নঙবুদি কনানা কনবিগনি হে ইমা লৈবাক?

২৯ সেপ্টেম্বর ২০২৩

## ঙানথোরক্লগনি সোয়দনা

উংখৎনরিবা মীচম প্রজা
মথম্মোয় চাকমনখিদুনা খোয়সাওনরক্লে।

য়েংবা ঙমনদ্রে, ওয়ারৌমনখিদুনা
তেকথরক্লে খোঙনাঙ উজাও পাম্বী
ইকায়মনখিদুনা কিন্থরকখ্রে
ইম্ফাল শহরগী লাইটপোষ্ট পুন্নমক।

অমম্বনা পুংমম মমখ্রে
খোঙথাংবা ঙম্নরকত্রে
লম্বিদা লম্বি হুক্লরে।

থেংলবা অহিংদা মীওইবগী কপ্পখোল তারদুনা
ষন-ইরোয়, সা-ঙা
চেক্লানা চিংবা ময়ুম থাদোক্লদুনা পাইথোনরক্লে
মীচম প্রজা ময়ামসু
থোং থোংনাও হাংদোক্লরক্লে
ইশিং ইচাওরকপাগুম পাথরক্লে সড়ক সড়ক্তা
অপুনবনা পাঙ্গল ওইরগদৌরে
ঙানথোরক্লগনি সোয়দনা।

৩০ সেপ্টেম্বর ২০২৩

## ঐগী ওয়াখল

নঙবুতা খল্লিবা ঐগী থম্মোয়সে
নঙ করি তৌরি
নঙ করি তৌদ্রি
নঙগী করি ওইখ্রে
নঙগী করি ওইরগনি
নঙবুতা খল্লিবা ঐগী থম্মোয়সে
লান য়াওদে কনানা হায়রিবা?

ঐগী থম্মোয়সে নঙগী ইংখোলদনি
নঙগী থোংগালদনি
নঙগী নমাংদমক্কি
লানফমদনি
ইমালম মনিপুরদনি।

০১ অক্টোবর ২০২৩

## চেকসিল্লু

মচা ময়াম্ন
মুক্লরিবা লান
নংলিবা অওয়াবা
পেন্দবগী ওয়ারোলশিংদু
মথম্মোয়দা
থুপ্ন থমজিনখ্রে
মনিপুর পোকপি ইমানা
মনা তাখিদ্রে
কৌরসু খুমখিদ্রে।

মচাশিংগী খনবা খনবদা
চাব থকপা য়ারকত্রবনা
ইমাদি সোল্লে
হান্নগী ইমাগুম উখিদ্রে।

কৈদৌরগেনে ইমা
ঐনা হংলুবদা
ইমানা তেংথারদুনা খুম্লকই
ঐনা পোকচবদি
খেলেন্দ্র সুবাদার অমাখক্তনি
ঙসিদি মসিং য়াম্লে হায়
কৈগিনো নোয় খংব্রা? খংদ্রদি চেকসিল্লু।

০১ অক্টোবর ২০২৩



CamScanner

## চেং লৈতবগী অওয়াবা

কুকিগী লান ঙাকথোক্লবা লেপ্তনা হোৎনরকপসি
ঙাকথোকপা নৎলমদ্রে।
লান ওইরম্মে। লান।
নোংমৈ গুলিগী মখাদা শিনি কিদবা লান।

মীতৈ লান্মীশিংগী চান-থক্লবা কোকথোং হোন-হোনবদা
খোঙজং কয়াদা কোয়চেন চেল্লিঙৈদা
কাওরুরে ঐগী ইরনায় সংসার
য়ুমদা ঙরাংদগী চেং লৈহৌদে হায়বদু
নিংশিং নিংশিংনা কাওরুরে।

উখোংদা ফম্লদুনা ঐগী লোয়নবীনা
চাক থোংলম্মী মৈখু মরক্তা
মৈখু কামথোক্কে চংলুবদা
চেং য়াওদবা চফুদুগা ইশিংতা সৌরনা লৈরম্মে
ঐ লান্দা চৎখিবগী নুঙাইতনা কপ্পা নৎলমদ্রে
সিঙ চাক্তবগী মৈখুনসু কপ্পা নৎলমদ্রে
চেং লৈতবগী অওয়াবনা কপ্পা ওইরম্মে।

লানগী অওয়াবসে লানবুংদগী ইমুং-মনুং য়ৌরক্লে।

০১ অক্টোবর ২০২৩

## নোয় খংজৌ

ঐগী অপোকপি নুংশিবী ইমাবু
নঙনা নঙগী নমাগুম্না
ইমা কৌশিন্নরিবাদু
করিগী খংঙোয়, খংঙি।

থৌনা ফবা মীতৈ মচাবু
অপংবনি খন্দুনা পঙখন খনবাদু
ঐসু মাকসু লোয়না খংলেদনা হন্দক্তী।

ইমাংমক্তদগী চাক চালুক মুনখ্রগা
ঐ সুম য়েংনা লৈগদ্রা?
থায়নাঙৈদগী মীতৈগী হনু-হনুবীনা পান থানরম্বা
ঐগী ইংখোলদুগা
অহিং অমম্বদা চঙকতুনা শম্বল খাজল্লমখ্রগা
ঐ সুম য়েংনা লৈগদ্রা?

ঙসি ঐগী থম্মোয়সে য়াম্ন নুঙাইতে
খাংবা ঙমলকত্রে
অসাওবনা মাং থাররোয়
পেন্দবগী লৌশিংনা মাং থারিবনি, নোয় খংজৌ।

০২ অক্টোবর ২০২৩

## অদুঙৈগী মীতৈ মতমদো

হরাও কুম্মেদা লেপ্তনা হরাওনখিবাদুগী মহুৎতা
হৌজিক্তি
লেপ্তনা কপ্পরি, তেংথনরি
অঙকপনি অঙকপা
তাইবং নঙগী থৌশিনসে।

অদুঙৈগী মীতৈ মতমদো
হরাও ফংদ্রবা ঐদি
তোয়না তোয়না নিংশিংলিদো
অওয়াবা তারিবা মীদুনতা
অওয়াবা মশক খংনৈ হায়বাদো অচুম্বা থোক্লেদো।

অশি-অনা থোকপাগী ঈ-পাও
খুদক খুদক্তা
নাকোং নাকোংদা লেপ্তনা য়ৈররি
য়ৈরসনু কৈদৌরে ঐদি ঐনি
অদুঙৈগী য়েলহৌমীনি
নোংসাগী ধারানারানি
অওয়া-নুঙাইবাদুদি
কাচা ট্যাকাগী মথক মখানি।

নোংমা হরাওমনখিবাদো
নোংমা ওয়ামনবা থোকপা মশানা তারেদো
নিংশিংহল্লিদো অদুঙৈগী মীতৈ মতমদো।

০২ অক্টোবর ২০২৩



CamScanner

## ইমাগী খোল্লাং লমন শিংলশি

মীতৈ ঐখোয়না ঙাওত্রংনরিঙৈদা
মনিপুর ঙমখৈ নিংখায়রদুনা
জোংনা য়ুম্বু শারগদৌরে, শাররে,
অশিবা হকচাংদা নৎলমদ্রে
অহিংবা হকচাংদা হন চঙঙরে
ষন ইরোয়সু নৎলমদ্রে
শম্বলনা লৌ চারকপা হৌরক্লে।

চীঙনা কোয়না পনশাবা
জগোয় ইশৈনা পনঙাকপা
কালচার ঙাক্লিঙৈদা
ক্যান্সারনা ঙমখৈ চাবা হৌরক্লে।

ইপুধৌ পাখংবাগী কংলৈপাক
শ্রী গোবিন্দগী মনিপুর ইরৈবাক
তকখায়না তেমায়খ্রে কুকিডোজারনা
কুম্মৈগুম্না য়েংনা লৈনরি হৌজিকসু, ঐসু মাকসু।

ইদোমতা উংখৎপা তৌররোয় অতৈ
অসাওবনা মাং থাররোয় অতৈ
জগোয় কুমৈদা ঙাওজররোয় অতৈ
অপুনবা খোল্লাও তাদবা তৌজররোয় অতৈ।

পুল্লশি ঐখোয়,
ইচিনাও ময়াম্ন অপুনবা পাঙ্গল ওইমিন্নরশি
মনিপুর ঙমখৈ পুল্লপ্ন ময়াম ঙাকমিন্নরশি
মীতৈ লৈবাক অমুক্তং কনমিন্নরশি
পোক্লফম ইমাগী খোল্লাং লমন শিংলশি।

০৩ অক্টোবর ২০২৩

## লম্বি

লৈকাই অমদা পুন্না লৈমিন্নরিবনি নোঙানবগা উনরিবনি।
ওয়াখল পুখল মান্নদবনা থবক থৌরম মান্নদবা
শক-মাইসু মান্নদে।
শাজৎ- লিচৎ মান্নদবনা
লমচৎসু মান্নদে।

মান্নদবনা
অপাম অপাম লম্বিদা চৎনরিবনি
পন্থুংফমদি অমত্তনি।
ঐসু ঐগী লম্বিদা
মাকসু মাক্কি লম্বিদা
লম্বিদা লম্বি হুক্নৈ
লম্বিদা লম্বি ফংনৈ লম্বিদি লম্বিনি
পন্থুংফমদি অমত্তনি।

০৩ অক্টোবর ২০২৩

## নোরোক্তনি নোরোক্তা

মীখা পোন্না লৈবা কনানা পাম্নগে?
কৈগী পামদোয়নো? কৈগী হায়রিনো?

থেংলবা অহিংসিদা
তুমদনা লেল্লিবা নোয়বু
খুদোংচাবা থিরি নত্রো?
সিসিপুরদগী কুম্বি
ট্রোংলাওবীদগী সাইতোন
মীতৈনা খুন্দা লৈতানা লৈরিবা মফম মফমদা
নোয়গী তমথিরবা নোংমৈগী
বারুদ মনম্না নমথিহল্লে
খোয়সাওনরক্লে, খাংবা ঙমনরকত্রে
ইরাংগী মরক্তা ইরাং হৌনরক্লে।

অমাবস্যাদা থওয়ান্মিচাক মখে লাংনৈ
নিংস্বাস্বর হোন্নবসু য়াওনৈ
মদু মীতৈ মিচম্নসু খংনৈ।
মল্লসু মমজসনু মৈরা ইমাইবেলশিংনা
মুৎপা নাইদ্রবা ডেউটিদু পাইরি
থক্তা ঙাল্লম্বা করৌনা মমখ্রবসু
মেরা থাগী থানিলদা মদু ইঙান ঙাল্লগনি খংনৈ।

কৈসু কানরোয় চীঙথক্তা নোয়না
উমং ওয়ামং মরক্তা লোৎলবাসু
ইপুধৌ পাখংবানা শায়োনখ্রবনি
কৈসু কিনিঙায় লৈতে।
মীহিংচা নোয়না কল্লক কঞ্জাওনরিবাদু
শাফু কল্লবা নোংলৈ নুংশিৎপু থিংবা ঙম্নব্রা?

অরেম্বদা মাংখ্রগনি নপুন্সি
মীনুংশি য়াওদবা চিন্থিবা
জোংনা য়ুম্বু সাগে তৌগানু
তুং হন্ন য়েংঙু
শিগদবা থওয়ায়নি খন্দুনা

নোয় ময়াম কোরোক কোয়না কোয়শিনখ্রে
কায়দা চেন্দোয়নো হায়ফম লৈব্রা?
ইশিং ইচাওরকপাগুম কোয়পা পাথরক্লে
মীতৈ মীয়ামগী খোঙজং কয়া
কায়দা চেন্দোয়নো খংব্রা? নোরোক্তনি নোরোক্তা।

০৩ অক্টোবর ২০২৩



CamScanner



জননী জন্মভূমিশ্চ স্বর্গদপি গরীয়শী- (Mother and Motherland are superior even to the highest heaven. I am proud to be born in this land where diversity is embraced and unity is celebrated. My country is not a piece of land; it's a work of art, a masterpiece that inspires every soul. O! My Country fellow, while shedding the blood of your siblings, do you not see the tears of this motherland? Sacrifice for Her is like life and Living without Her is Death! My country has a soul, and she speaks to me in every ray of sunshine and every rustle of the wind.

"অদুঙৈগী নিংতম্বাদু" সনাতন হামোমনা থৌরবা খোর্জেই পায়দুনা মথক্কী মিংয়েং অসিদগী শেম্লবা মমল য়ামখ্রবা থওয়ায়না পোন্থান্থ্রবা, হৌজিকমকসু মমাগীদমক অশিববু অমাং কোইরোয় শান্নবগুম শান্নদুনা খোল্লাং লমন শিংলগে খনখ্রবা মমালমদমগী কংলৈ অথৌবা অথৌবীশিংদা কচ্চরিবা ওয়াহৈগী নাচোমনি। মমা লমদম খৈনা নুংশিজবগী সুরদা মায়কৈ কদোমদা চৎলবনো হায়বা মওয়াখন্দা মথম্মোয়নুংদা লাংতক্লবগী মিহুল কাংলদুনা মমালম নুংশিরবা অশৈবা সনাতননা অসুম্না নিংশাশ্বর হোঞ্জখি- "মপোক কয়াদা শেম শাখিবা নিংখিজরবা ইমা লমদম। নঙদি অমুক শোখরেদো মপোক কয়া।" অদুগা নোংমা কাংদনা মহাক্কী মমল য়ামখ্রবা মপারি মমোম কয়া অশিবগী খয়াত্তা তাররবদা অশৈবনা মমালমবু মথাদা কোল্লদুনা হিক্না নাওথী শাজরকই- "নঙগী পিরাং কয়ারক শিন্থরগা। নঙগী মীৎকপ থোক্কদবনো। তাকপীয়ুনে ইমা নুংশিবী..."

চহী তরেৎ খুন্তাকঙৈদা ঔয়ানা মণিপুর শরাক তমখি। চহী ৫০ 'মরোমসু মলেছকী য়কাদা হিংখি। হৌখিবা চহী কুমজা কয়া ইমা মহাক্কী মিৎলুদগী শিন্থরকপা ফোং ফোং শাবা পিরাংবু নাম্থোকপীদুনা ইমাগী মনীংতমজবদো উহনবীগদবনা কনা?... মতম্না করম্বা মতমদা, করম্বা পুংফমদা.....? মথম্মোয় শোক্লাদুনা অশৈবনা শক্লি- "লাওখোংনা কপিবদু। ইমা লমদম শিন্থুংখ্রে, অতিয়া পোকখায়খ্রে। অদুবু হৌজিকসু। অদুঙৈগী নিতম্বাদু হঞ্জিল্লক্ত্রি...। অদু ওইরবদি। অদুঙৈগী নিংতম্বাদু কনানা লৈফম তাকপীগনি?" লমদম তামখ্রবী মমা লৈপাক মণিপুরগী থোক্লিবা মীহাৎ মীপুনগী থৌদোক্কী অওয়াবা শক্তমদা তনীক্লবা থম্মোয়নুংদগী মিৎলু ঈরা চেল্লদুনা মমালম নুংশিরবা অশৈবা সনাতন হমোমনা নোংজুথা অমসুং নোং অনীগী ইমেজরিদা সুরগী ঈয়ায় ঈনিনগা লোয়নননা ঈনোৎলকই - "ঐখোয়গী ইমালম মণিপুরদা। নোংজু থাদা নোং তাখিদ্রে। নোংগী মহুত্তা মিৎকী পিরাং ওইনা। তাথরকপা লেপত্রি হৌজিকসু ....." মণিপুরগী অতিয়াদা মমশিল্লাক্লিবা ঈঙাগী নোংজুপান্থা অসিদা খ্বাংদা খাংচেৎ মচি লাংলিবী ইমা মৈরা পায়বীশিংগী অশাবা মিৎকী লেপ্পাইদনা শিন্থরক্লিবা মিৎলু পিরাংসু য়াওখ্রে। তাঞ্জাসিদা ঐখোয় অসুম য়েংনা লৈখিগদ্রা? ইমাগীদমক করিগুম্বা খরদি তৌফম থোক্ত্রিব্রা?- "মৈরা পায়বী ঐখোয়গী ইমাদো ...। মমিত্তগী শিন্থরকপা পিরাংনা। ইম্ফাল তুরেল তাওথখ্রে। নঙ-ঐ সুম য়েংনা লৈখিগদ্রা?" মফি শেৎ পা হৈবা কুইদ্রিবা, থোংলগা চাবা খঙবা নৌরিবা, হিংচা য়াইতম্বা খরনা মমালোন মরমদম নুংশিবগী অমৃতনা চুমথরক্কুনা শেমখ্রবা ইনাক খুল্লবা মনাৎকীদমক মালেমনা কল্লক্করিবা কংলৈ স্না লৈপাক ইমালম মণিপুরবু শিংনরক্লবদা মখ্যাৎ চিক্লদুনা অশৈবনা মপারি মমোম নোংশারেল খিবিক্তা থৌনাগী লাইজ খিক্লি- "থোংনা চাগনি খঙদবা। হিংনা চাবা খরনা। লোন অমসুং কলচরদা চাওখৎখ্রবা। মীওই ফুরুপ অমগী মথক্তা..."।

কবিনা লান মরক্তা ইরমদম ঙাক-কনগে খনবিদুনা মাঙ থারিবা থৌনা ফবা মীওইশিংদুবু নুংশিনা লময়ানবা, লৈবাক নিংবা লাম্মী, দেশপ্রেমিক কৌজবা পাম্রি।- অদুগা অমরোমদা মরমদম ঙাক্কে-কনগে খন্দ্রবা, অদুঙৈগী মণিপুরবু তংদু লৈতাহনবা ঙমদ্রবা লৈঙাক্তুদি শারমচৎ চৎপা কুকিশিংগী মীচংদা লৈখ্রবনি হায়না পেন্দবগী খোল্লাউগা লোয়নননা ওয়াকৎলক্লি। অশৈবনা চিখদনা মসিমসু য়েক্লি মদুদিঃ মীয়োক মীচান ফবী মণিপুর স্না লৈপাক্কী ঈং তপ্লম্বী মপারি মমোমশিং ওয়াখলগী পোরম কাংলক্লে, থৌনাগী ঈনোৎ কারক্লে, ঙসিদি পুম্নমক খঙলে, লেম্লদি থাখ্ররোই, লায়নদি তোক্লরোই- "থৌনা ফবা মীতৈ মচাবু। অপঙবনি পংখন খনবদু। ঐসু মাসু লোইনা খঙলেদনা হন্দক্তি।... পেন্দগী লৌশিংনা মাঙ থারবনি নোয় খঙজৌ।"

অশৈবগী ফোং ফোং শারিবা মৈফমদগী থাং থাংথরক্লিবা মমালম মণিপুর স্নালৈপাকপু লাপ্না য়েংজরগা য়েক্লকপা মপি ঈরা চেনবা মমালমগী অয়ুক্কী পেহৌনরবা শক্তম, ঈ তৈরবা মায়থোং, শরাক তম্বীখ্রবা শেগাইরবা মফি, মপারি নোংশাশিংবু খোম্থোক্তনা কৌরকপা লমন শিংবগী খোম্থাং মিৎমাংদা শংশংননা উহল্লিবা "অদুঙৈগী নিংতম্বাদু" মৈরা লান্নী ইমাইবেল, খুলঙাকপা লোয়নননা ইমালম মনিপুরবু ঙাক-কনবদা থওয়ায় কৎথোকপিখিবা মীওইশিংগী মফমদা অমসুং অপাবশিংগী মফমদা থম্মোয় শেংনা কৎপিরক্লি। অরাপ্পা অনকপা মীতৈ চনুগী মপারি মমোম খিবিক পাবিদুনা থম্মোয়নুংদগী শেংলবা ওয়া অমনিদং ইমাগীদমক..., ইমা মহাক্কীদমক ফোংদোকপীরগদি.... ফোংদোক্লবসু থম্মোয়নুংদা ইমাবু নুংশিবগী মিহুল কাংবীরগদি শৈরেংসিগী মমল ওইরোইদ্রা? পাসি, নৈনসি, খনসি, থিসি সোল্যুসন- ইমানা মোমোন তমজনবগীদমক। ঐখোয়মক্তনা ঐখোয়গী শিংলিদা ঈয়ান চংদ্রি মীতৈ ঈশেং চেল্লি খঞ্জরগদি...॥

**ড. নাওরেম সনাতোম্বা**, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, ইম্ফাল, মণিপুর, ইন্ডিয়া

CS CamScanner